# ৩৭শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো : এক্স পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনা শীন্দুনা চথরকপা ৩৭শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খেনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-সীবু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা এক্স পোলোগী টি জেকোবনা ফর্ষ্ট গোল স্কোরর ওফ দি ফাইনেল মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি অদুগা টিম অসিমক্কী এল অতাঙবনা গোল ৪ চন্দুনা হাইয়েষ্ট স্কোররগী মনা ফংখি।

এক্স পোলো ক্লবকী টিম কেপ্টেন পি ওজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী টিমনা চেম্পিয়ন ওইবা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই অমদি মহাক্কী টিমদা য়াওরিবা নহা ওইবা প্লেয়রশিংগা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনা শান্নবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বনি হায়খি।

এক্স পোলোনা মায় পাকপগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ইন্টরনেসনল প্লেয়র লৈশেম্বা তখেল্লম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা মেটচ খুদিংমক্তা টেক্নিকেল ওইবা মওংদা প্লেসেট কন্বিনেসন শেমদুনা শান্নখি। প্লেয়রশিংনা গোল অমা চনবগী খুদোংচাবা ফংলবসু নীংথিনা টিম ফোর্মেসনদা শান্নবনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি হায়খি।

ইরোইশেম্বা কাঙজেবুংদা এক্স পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস টিম-সী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবা হৌরকপগী মিনিট ২ ফাওবদি শগোল হনগৎ-হন্দা থৌনদুনা গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখি। ৱাঙ্খে টিমগী টি ঐচ জেকোবনা শান্নবগী ২.০২ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা লৈশেম্বনা শান্নবগী ৩.০৪দা গোল অমগা হাপচিন্দুনা এক্স পোলোনা পুলিস টিমবু ২-০দা অহানবা চক্কর লীদ তৌখি।




অনীশুবা চক্করগী শান্নবদা পুলিস টিমগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া তৌখি অদুবু ৱাঙ্খেগী শান্নরোয়না নীংথিনা থিংদুনা অরেম্বা তাহনখি। চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৬.৩০ শুবা মিনিটতা এল অতাঙবনা গোল ১গা হাপচিন্দুনা পুলিস টিমবু ৩-০দা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

এক্স পোলোগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অহুমশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৪০ শুবা মিনিটতা জেকোবনা নীংথিনা টেপ্পিং তৌদুনা পুশিল্লকপা বোল অমা গোল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা জেকোবনা ৮০ য়ার্দতগী পীরকপা বোল অমা লৈশেম্বনা নীংথিনা ফারবা মতুং খায়দোরকপবু অতাঙবনা গোল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। চক্কর অসিদা পুলিস টিমগী জৱাননা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অনী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখিবগা লোয়ননা ০-৫দা অহুমশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা ৱাঙ্খে টিমনা লীদ তৌখি।

অতাঙবনা মখা তানা মরিশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.২৩ শুবা মিনিটতা ৩০ য়ার্দ ফ্লেগ পোষ্ট মনাক্তগী ফজবা বেক হেন্দ শোট অমা গোল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫.০২দা গোল ১গা হাপচিন্দুনা পুলিস টিমবু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা রিটায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল ডা. কে হিমালয়না অথোইবা মীথুংলেন অদুগা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এসোসিএট ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেননা ৱিন্নর ওইখ্রবা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খেদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৪০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা মণিপুর পুলিস টিমদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৩০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি। ইন্দিভিজ্যুএল প্রাইজ ফংখিবা এক্স পোলোগী শান্নরোয় ২সু লুপা লিশিং অমমম্গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

# একাদেমিক এটমোস্ফেয়র লৈবা মহৈরোয়শিংগী শান্ন-খোৎনবা হৌরগনি : মিনিষ্টর খেমচান্দ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস): মালেমগী ওইনা শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংনা হৌখিবা চহী ২ অসিদা নীংথিনা শান্নবা ফংদনা লাকখিবা অদু হৌজিক ফীভম ফগৎলক্লবনিনা লাক্কদৌরিবা সম্মর ভেকেসনদা একাদেমিক এটমোস্ফেয়র লৈবা মহৈরোয়শিংগী শান্ন-খোৎনবা হৌরগনি হায়না আর দি এন্দ পি আর, মহুদ অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্টরনেসনল য়ুঠ হোষ্টেলদা বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা নুপা অমদি নুপী সব-জুনিয়র টিমবু ওকপগী থৌরম অমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।




খেমচান্দনা হায়খিবদা, মণিপুর অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা স্পোর্টস হব ষ্টেট অমনি হায়বা লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবনি। ষ্টেট অসিগী লৈরিবা স্পোর্টসকী ইভেন্ট খূদিংমক মহাক্কী মায়কৈদগী সপোর্ট তৌগনি অমদি বোল বেদমিন্টন দিসিপ্লিনবুসু প্রমোসন তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

অন্ধ্রপ্রদেশকী স্রিকাকুলম রজামদা মমাং চহীগী জন্যুৱারী ৮দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪০শুবা সব-জুনিয়র নেসনল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা নুপামচা টিমগী ওফিসলশিং অদুদি লৈমপোকপম জোন্সন (কোচ) অমদি লাইশ্রম ওপেন্দ্রো (মেনেজর), নুপীমচাগীদা মাইস্নাম রেবিকা (মেনেজর) অমদি সুরেন্দ্রো (কোচ) অমসুং এল জুগিন্দ্রো (রেফরি)নি।

ষ্টেট নুপীমচা টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি জেরিনা, মান্সি, য়ুরিয়া, নেহারিকা, সেরিনা, অলিয়া, লোরেটো, চেংলৌরেম্বী অমদি ধনপতিনি। অদুগা নুপামচাগী কাঙলূপ্তা সন্তাইঙম্বা, হেরি, সত্যনন্দ, সভিয়াসচি, বেদজিৎ, থৌঙম্বা, ধনারাজ অমদি ঘনারাজনি।

থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর তখেল্লম্বম ফুলেন মৈতৈ, জেনিমসকী দিরেক্টর প্রো. লাইশ্রম দেবেন, বি বি এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম তোম্বা অমদি বি বি এ এমগী প্রসিদেন্ট ডা. লাইফ্রাকপম কুমারনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং অমদি থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চন্না অথোইবা মীথুংলেননা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংদা সর্টিফিকেটশিং পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

## মৈরাবা, মঞ্জিৎ অমদি দিঙ্কু ইন্দিয়া টিম ট্রায়লগী খল্লক্লে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): ষ্টেটকী শান্নরোয় অহুম - মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং, মঞ্জিৎ খ্বাইরাকপম অমদি দিঙ্কু কোন্থৌজমবু ইন্দিয়ন টিম কন্টিঞ্জেন্ট শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সনদা শরুক য়ানবা বেদমিন্টন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খল্লক্লে।

বি এফ আইনা মাইস্নাম মৈরাবা মেন্স সিঙ্গলস কেটেগোরিগী শান্নরোয় ২৫ খনগৎপদা মহাক য়াওরকপনি অদুগা মঞ্জিৎ অমদি দিঙ্কু অনীগী প্যেরসু মেন্স দবলগী শান্নরোয় ২৬ খনগৎপগী মনুংদা য়াওরকপনি।

ট্রায়ল সেলেক্সনদগী খনগৎলবা ইন্দিয়া টিমগী কন্টিঞ্জেন্টশিংনা চাইনাগী জেজিয়াং হাংঝৌদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১০দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস, ইংলেন্দগী বর্মিংহমদা জুলাই ২৮দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমস অমদি থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা মে ৮দগী ১৫ ফাওবা পাঙথাক্কদৌরিবা থোমাস এন্দ উবর কপতা শরুক য়ারগনি।

ইন্দিয়ন টিম কন্টিঞ্জেন্ট শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১৫দগী ২০ ফাওবা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্লগনি।

## অরিহা এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): পোর্টুগলগী গুইমরেসতা জুন ১৬তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা এফ আই জি এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা অরিহা পাঙম্বম অমদি মহাক্কী কোচ য়ুম্নাম রঞ্জন অনীবু জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খল্লক্লে।



অরিহা পাঙম্বম কোংবা উচেক্কোনদা লৈবা পাঙম্বম অখেলো অমদি পাঙম্বম ওংবী অসোম চাওবা অনীগী অহানবা ফংজবা মচানুপীনি। মহাক হন্দক্তা জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা বেঙ্গলুরুদা মার্চ ২৫দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনল এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপতা সিনিয়র কেটেগোরিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ১৮দগী লাকপা জিম্নাষ্ট ৪০০না শরুক য়াখি। মণিপুরনা গোল্ড ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৬ ফংদুনা ওভরওল টিম রন্নর্স অপকী টাইটল ফংবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা অরিহা পাঙম্বম অমদি মহাক্কী কোচ য়ুম্নাম রঞ্জনবু ১৭শুবা এফ আই জি এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক খল্লকপদা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ক্ষুগী নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মেদলিষ্টশিংবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস): ক্ষু ট্রেনিং স্কুল নিংথৌখোংনা শীন্দুনা স্কুল অসিনা পুথোকচবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মেদলিষ্টশিংবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি নিংথৌখোং পব্লিক পার্কতা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অমদি পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।



স্কুল অসিনা পুথোকপা নেসনল মেদলিষ্টশিং অদুদি নাচৌদগী এল ন্যুটোন অমদি ইথাইদগী এন নরেশনা গোল্ড মেদল, নিংথৌখোংদগী কে ঐচ চাওবা, খুদেকপীদগী এন প্রিয়াদর্শিনী অমদি কৈরেনফাবীদগী এন গোবিন্দাসনা সিলভর মেদল, ইথিংদগী কে ঐচ লিংজেলথোইবী অমদি মোইরাং খুনৌদগী রাজলক্ষ্মীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবনি।

অতোপ্পা স্কুল অসিনা পুথোকখিবা ইন্টরনেসনল মেদলিষ্টশিং অদুদি নাচৌদগী এম রোনেল, এল বুধচন্দ্র, এম রামেশচন্দ্র, এন নিরুপামা, এল ন্যুটোন অমদি এল রঞ্জনা, ক্বাসিফাইদগী এম রোশিবিনা অমদি টি ঐচ মালেমঙানবী, থিনুঙ্গৈদগী এম কিষন, মোইরাংদগী পি ঐচ সোমোকান্ত অমদি থাঙ্গদগী এন চাওবা অমদি ও বিদ্যাপতি চনুনি।

থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এস এস ছব্রা, বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর লৌরেম্বম বিক্রম অমদি ক্ষু ট্রেনিং স্কুল নিংথৌখোংগী ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং অমদি থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

এম এন সী এ সুপরপ্লেট

## এম পি এস সী ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা এম পি এস সী সেন্ট্রেল জেলনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা লংথবাল টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখি। লংথবালগী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ২৬তা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৯৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা লংথবালগী বেটসমেন ঙাংবম বিংসননা আউট ওইদনা বোল ৪৪দা চপ মান্নবা রন ৪৪ লৌবা ঙমখি। লাইশ্রম দিনাচন্দ্রনা বোল ১৩দা রন ১৩ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা বোলিং তৌখিবা এম পি এস সীগী বোলর মাইবম বিজয়কুমার অমদি কৈশাম কেনেদিনা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা এম পি এস সীগী বেটসমেননা ওভর ১৭দা ৱিকেট ১ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা লংথবাল টিমবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙম্লকখিবনি।

মেটচ অদুদা এম পি এস সীগী মাইবম বিজয়কুমারনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা রুল মালোম অমদি কে সী সী কোংবা অনীনা থা অসিগী ১৫দা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।

## য়ু কে এফ সী অমদি খোগেন এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): ইষ্টর্ন লায়ন ক্লব নোঙাদা অমদি ইষ্টর্ন য়ুনিক ক্লব কামেং খুনৌ ক্লব অনীনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ইপুথৌ পুরেরোম্বা কপ ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নোকআউট ষ্টেজগী মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা য়ু কে এফ সী উয়ুমপোক অমদি খোগেন এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ু কে এফ সী উয়ুমপোক কৈবীনা ৱাই দল্লিয়ু এ ৱাঙ্গোইবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

উয়ুমপোক্কী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সিয়ামানা শান্নবগী ১১ অমদি ১২ শুবা মিনিটতা গোল অনী অদুগা তোম্বনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা খোগোন এফ সীনা মফোন এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

খোগোন এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু ৱিনকম চোথেনা ২শুবা হাফকী ৪৮শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোয় ২ মফোন এফ সীগী লেম্বা অমদি খোগেন এফ সীগী মনিসনা শান্নবগী ২৭ অমদি ৩৪ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা মেটচ ২ শান্নগনি। অহানবা মেটচতা এল এস আই সী লম্লাই অমদি এষ্টেক এফ সী থেংনগনি। অনীশুবা মেটচতা য়াইফ এফ সী অমদি মাইন-বি লম্বা তৌনরগনি।

## ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী লমজিং মখাদা কৈথেলমানবী বট্টালিয়ননা শীন্দুনা মীদিয়া পর্সনশিং অমদি অসাম রাইফলস টুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেটচ অমা কৈথেলমানবী গেরিসনদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখ্রে।

ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেটচ অসিনা অসাম রাইফলস টুপশিং অমদি মীদিয়া পর্সনশিংগী মরক্তা ৱারী-ৱাতায় শাবগী প্লেটফোর্ম অমা পীবদা নৎতনা লমদম অদোমগী মীয়ামদা ঈং চিকপা ফংহনগনি হায়রি। মেটচ অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মীদিয়া হাউসকী করেস্পোন্দেন্টশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, সেলোন বট্টালিয়ননা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা আইভোমজাং ভিলেজগী ওথোরিটিদা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা শগোলশেন নুমিৎতা খূৎশিন্নখ্রে। গ্রাউন্দ খূৎশিন্নবগা মরী লৈননা লমদম অদোমগী নহাশিংগা স্পোর্টসমেনশিপকী পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নখি।

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref. Mutation Case No. 80/SDC/M Dt. 8/4/2022**

Konjengbam Chandrashekhor Singh S/o K. Iboyaima Singh of Moirang Patlou Leikai.

-Vs-

(L) Konjengbam Boyai Singh S/o (L) Tolen Singh of Moirang Patlou Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 8th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৭৮৩ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৭৭৮ এরিয়া ০.০৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি ইমুং-মনুং মচানা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2221/11

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref. Mutation Case No. 79/SDC/M Dt. 8/4/2022**

Konjengbam Gautam Singh S/o (L) K. Boyai (Iboyaima) Singh of Moirang Patlou Leikai.

-Vs-

(Late) Konjengbam Boyai (Iboyaima) Singh S/o (L) K. Tolen Singh of Moirang Patlou Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 8th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাঙ্খা লৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৩০২/১৭০২ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৩১০৫/৩৩০৫ এরিয়া ১.২৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি ইমুং-মনুং মচানা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2221/11

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 126/SDC/IW(H) of 2022**

Kangjam Premkanta Singh S/o (L) K. Kumar Singh of Malom Tuliyaima. Petitioner/ দংকারি

-Vs-

Late Kangjam Kumar Singh S/o (L) Bidhu Singh of Malom Tuliyaima.

O.P./ বিবাদি

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 31st March, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ:ও: খুল নং -১ মালেম তুলিয়াইমা অনৌবা পাট্টা ৪১২ নং হাল দাগ ৪১৮ নংগী মোট এরিয়া ০.১৫৭৫০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার কাংজম কুমার সিংহ মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচানুপা/দংকারিনা মশাগী মমিংদা পাট্টাদারগী লম মখে নামজারি তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা ১৮/০৪/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2222/11

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER VIII-KAK

**Ref :- Mutation Case No. 205/AS & SO/VIII-Kak of 2022**

Nongmaithem Udaya Devi D/o (Late) Kunjabihari Singh of Singjamei Thokchom Leikai. -Petitioner

-Vs-

Nongmaithem Kunjabihari Singh S/o (L) Koireng Singh of Singjamei Thokchom Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**


Kakching, the 7th April, 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ৱাইখোং তহশিল খুল নং ৭৩-এলাংখানপোকপী পাট্টা নং ৫২৬ অরিবা, ৩৪৪ অনৌবা, দাগ নং ৩১২২ এরিয়া ২.২১ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। হায়রিবা মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি দংকারি ওইরিবী মচানুপীনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ১৮/৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **K. Niranjan Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer VIII-Kak

HL-P/2220/11

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 422**

**FM Bettalli, Francesco (2317) - FM Zhou, Qiyu (2218)**
**Titled Tue 15th Mar Late chess.com INT (10), 2022.03.15**

1.d4 Nf6 2.Nc3 d5 3.Bf4 e6 4.e3 Bd6 5.Nf3 O-O 6.Bd3 Bxf4 7.exf4 Nbd7 8.Ne5 c5 9.dxc5 Nxc5 10.O-O Bd7 11.Qf3 Bc6 12.Qh3 Nxd3 13.cxd3 Qb6 14.Rab1 Rac8 15.g4 Qb4 16.Qg3 Nd7 17.Rfe1 Rc7 18.h3 Rfc8 19.f5 exf5 20.gxf5 Nxe5 21.Rxe5 f6 22.Re6 Kh8 23.Rbe1 d4 24. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 421 Ans. :**

30. ...Bf6+ 31. Kg4 g6 Mating net 32. f5 Blocking square f5. h5+ 33. Kf4 g5# David and Goliath mate
30. ...Bf6+ 31. Kg4 g6 32.f5 h5+ 0-1

ꯊꯕꯛ ꯊꯤꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ

**EMPLOYMENT NEWS**

☞ **Car Wash Helper 2 (Rs. 10,000 to Rs. 15,000 p/m + Incentive)**

☞ **22 to 28 yrs Office Asst. ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা TBL, Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou, Moirang নক্লবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজে।**

☞ **2/4 Wheeler Mechanic 2, Car Driver 2 পামজে।**

**Please Contact :**
**M.B. Singh**
**Mobile No. 9774495994 / 8731978490**

HL-B/1841/6/3-9/4

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com